**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 10-06-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) অরাম্বাই তেঙ্গোলনা কৌবা নুমিৎ ১০ নিগী বন্দ শৌগৎতুনা ঙসিু মফম কয়াদা মীয়ামা লন্থী থিংবগী খোঙজংশিং চংশিল্লি, করফিউগী অথিংবসু মখা তানা লৈরি।

২) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা মীয়ামা খোঙজং চংশিনবদা হিংশাগী থবক চত্থবীদনবা আপীল তৌরি।

অমসুং

৩) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১১ অসিগী মনুংদা ভারত শেল থুমগী অওনবা য়াওনা হিরম কয়াদা অহোংবা পুরকপা ঙমলে।

------

কর্ফিয়ু(এল)ঃ মণিপুর তম্পাক্কী জিলা ৫-ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাশিংদা ঙসিসু মখা তানা কর্ফিয়ু লৈরি।

অমরোমদা, অরাম্বাই তেঙ্গোলনা কৌবা নুমিৎ ১০ নিগী বন্দ শৌগৎতুনা মফম কয়াদা মীয়ামা লন্থী থিংবগী খোঙজংশিংসু মখা তানা চংশিল্লি।

ঙসি অয়ুক্কী ওইনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, খুরাই লাম্লোং কৈথেল য়াওনা ইম্ফাল ময়োলগী মরুওইবা কৈথেলশিং থোং হাংনদ্রে। লমলোং কৈথেলদা মহৌশাগী মতৌগুম অয়ুক অঙনবদা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মনা মশিংশিং পুখৎলক্কুনা য়োন্নরম্বা অদু য়োন্নখিদে। অদুবু ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী কোনুং মমাং-অন্দ্রোপার্কিংগী মফমশিংদদি অয়ুক অঙনবদগী হৌদুনা মনা

মশিংশিং থাদুনা য়োন্নরি। মফম অসিদা মীয়ামা মনা মশিং লৈবা লাকরি।

অমরোমদা, ঙরাং নুমিদাং অথেংবা ফাওবা ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই লমলোং য়াওনা মাইকৈদা খোঙজং চংশিল্লিবশিংগা সেক্যুরিতি ফোর্সকা অকনবা মওংদা মুকখি । মীয়ামগী ইহৌ অদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মাইকৈদগী তিয়ার গ্যাস সেল অমদি রবর বুল্লেটনচিংবা কাপখি।

জিরিবাম জিলাদসু অরাম্বাই তেঙ্গোলনা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা অকায়বা পীরে। ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়- জিলা অসিদসু বন্দ অসিগী মমি য়ামা চাউনা তারি। বন্দ অসিনা মরম ওইদুনা জিরিবাম জিলাদা কৈথেল অমদি দুকানশিং থোঙ হাংনদ্রে। লল্লোন ঈতিক্কী থবক থৌরমশিং লেপ্লে। জিলা অসিগা অতোপ্পা মফমশিংগা ফাওবা মরুওইবা লম্বীশিংদা গাড়ি অমত্তা চৎনদ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা পামদবা থৌদোকশিং থোকপগী পাউ লৈত্রি।

বিরেন (এল) ঃ বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি- মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি য়ামা লুবা তাঞ্জা অমা ওইবনা মীয়ামা খোঙজং চংশিনবা মতমদা হিংশা য়াওদনা অমসুং ব্রাখল ফাথনা থবক পায়খৎপা চংই।

রাজ্য সভা মেম্বর লৈশেম্বা সনাজাওবগা পুন্না ঙরাং নিউ দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্ত্রিঙৈ মমাংদা ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা পাউমীশিংগা উন্নবদা শ্রী বিরেন্না হায়- খোঙচৎ অসিদা মখোয়না কেন্দ্রগী মরুওইবা লুচিংবশিংগা উন্নদুনা রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা খন্নগনি।

এআর (এল) ঃ ১১ শুবা মালেমগী যোগ নুমিৎ থৌরমগী মাংওইননা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ঙরাং কৈথেলমানবী গেরিসনদা যোগগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। পুকিং লৈতানা, হকচাং ফনা লৈনবগী পান্দমদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেল ২০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী মনুং চন্না যোগনা পুকিং ৱাখল ফনা থম্বদা পীরিবা কান্নবশিং খঙহন্নবগা লোয়ননা পার্সোনেলশিংদা যোগগী শাজেল কয়া তাকপী তম্বীখি। নুমিৎ খুদিংগী পার্সোনেলশিংনা যোগ তৌনবসু খঙহনখি।

মেট (এল)ঃ ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টকী ইম্ফাল সেন্তরনা জিরিবাম অমসুং নোনে জিলা নত্তনা অতৈ জিলাশিংদা য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। ঙসি তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং উখ্রুল জিলাদা অকনবা নুংশিৎ অমসুং অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি। অতৈ জিলাশিং- কাংপোকপী, ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল, চান্দেল, চুরাচান্দপুর, ফেরজোল অমসুং কামজোংদনা অকনবা নুংশিৎকা লোয়ননা নোং তারবা য়াই হায়রি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- হৌখিবা চহি ১১ অসিগী মনুংদা ভারত শেল থুমগী অওনবা য়াওনা হিরম কয়াদা অহোংবা পুরকপা ঙমলে।

নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা কেন্দ্রগী এন.দি.এ সরকারনা চহি ১১ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা লৈবাক অসি হিরম কয়াদা চাওখৎপা ঙমলে। নেসনেল সেক্যুরিতিগী মতাংদা পল্লদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিদা নক্সলাইটশিংগী ৱাথোকশিং ইরৈ লৈত্রে। হৌজিক্তি জম্মু কাশ্মীর অমদি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা শান্তি হঞ্জিনহনবা ঙমলে। লৈবাক অসিদা তেরোরিষ্টশিংনা এটেক তৌরকপদা নিংথিনা খুৎ হন্দুনা অসিগুম্বা থবক থৌরমশিং ভারত্তা চত্থবা য়াদে হায়বদু নিংথিনা খঙহনবা ঙমলে হায়নসু গৃহ মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

দিল্লি ঃ দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফম অনিদা আইন কায়না লৈরম্বা বঙ্গলাদেশ মচা ৬৬ দিল্লি পুলিসনা ফারে। মখোয় অদু দিল্লিগী ৱাজিরপুর অমসুং নিউ সবজি মন্দি এরিয়াদা লৈরম্বনি। মীওই ৬৬ অদু পুন্না ইমুং ১১ গী

মীওইশিংনি। দিল্লি পুলিসনা দিল্লিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা আইন কায়না বঙ্গলাদেশ মচাশিং লৈব্রা হায়বদু থিগৎপগী থবক চথুবদা মখোয় অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। বঙ্গলাদেশ মচা খক্তা নত্তনা লৈবাক অসিদা আইন কায়না চংশিল্লকপা মীওইশিং থিগৎপগী থবক লেপ্তুনা চথুরি। অসিগুম্বা দ্রাইভ অসি চথুরে খঙবদগী চেনখিগে তৌরম্বা মীওই কয়া অমসু ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি।

ত্রম্প ঃ আফগানিস্তান অমসুং ম্যান্মার য়াওনা লৈবাক ১২ গী নাগরিকশিং আমেরিকাদা চংবদা অথিংবা থমখ্রে। আমেরিকাগী রাষ্ট্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পনা থোকখিবা হুকুম অমগী মতুংইন্না অথিংবা থল্লিবা অতৈ লৈবাকশিংগী মনুংদা ইরান, লিবিয়া, সোমালিয়া, সুদান অমদি য়েমেন য়াওরি। লৈবাকশিং অদুগী নাগরিকশিং আমেরিকাদা চংবদা অথিংবা থম্বগী মরমদি লৈবাকশিং অসি তেরোরিজমগী থবক থৌরম কয়া চথুবা, মখোয়বু মশক খঙনবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া থেংনবা, আমেরিকাদা লৈবগী ভিসাগী মতম হেন্দোকখ্রবসু থৌশাদনা লৈশিল্লম্বা অমদি ক্রিমিনেলগী রেকোর্দশিং লোৎশিন্দুনা মরম কয়া অসিদগীনি হায়রি। অথিংবা থম্বগী হুকুম অদু খুদক্তগী চৎনবা হৌখ্রে।

ফুটবোল ঃ এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন (এ.এফ.সি) এসিয়ান কপ ২০২৭ কী অহুমসুবা রাউন্দগী ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা ঙসি ভারত অমসুং হোং কোং লম্পা থেংনরগনি। ভারত অমদি হোং কোংনা ১৯৫১ দা অহানবা ওইনা লম্বা থেংনখ্রবা মতুং ঙসি শান্নগদৌরিবা মেটচ অসিনা ২৫ রক শুবা ওইরি। ভারতনা হেদ টু হেদকী রেকোর্দতা মেটচ ৯ মায় পাকখি, হোং কোংনা মেটচ ৮ মায় পাকখ্রে। অতোপ্পা মেটচ ৭ অমনা দ্রো চৎখি। পানবা য়াবদি, ঙসি হোং কোংগা শান্নগদবা মেটচ অসিদা ভারতকী টিমদা মণিপুরগী শান্নরোই ৭ য়াওরি।

স্পোর্টস (এল)ঃ খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ১৩ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ৪৪ শুবা ষ্টেট এজ গ্রুপ এথলেটিক চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা মতম

কক্তনা য়েথোক্লে। চেম্পিয়নসিপ অসি অনৌবা মতম অমা লেপ্লবা মতুংদা পাঙথোক্লগনি হায়না এথলেটিক এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরনা খঙহল্লি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি মণিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী হেদলাইনশিং অসি অমগা অমগা ইমান মান্নদ্রে। পাউচেশিং অসিদা থা অসিগী ৭ তা অরাম্বাই তেঙ্গোলগী মীওইশিং ফাজিনখিবগা মরী লৈননা কৌখিবা নুমিৎ ১০ নিগী মণিপুর পুম্বগী বন্দনা ষ্টেট অসিগী তম্পাক্কী মফমশিংদা ওইহল্লিবা ফিভমশিং, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন য়াওনা রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা দিল্লিদা চৎখিবগী পাউ অমসুং চুরাচান্দপুরদগী লুপ কোতি ৫৫ লাখ ৫২ ড্রগ অমসুং শেলগা কোন্ননা মী ফাখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা নুমিৎ ১০ নিগী খোঙজং মনুংদা পামদবা থৌদোকশিং লেপ্তুনা থোক্লি হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদগী লুপা কোতি ৫৫ গা লাখ ৫২ ফাখিবগী পাউ অসি দি.আর.আইনা লুপা কোতি ৫৫ লাখ ৫২ ড্রগ অমসুং শেলগা কোন্ননা মীওই মঙা ফারে হায়না পোকফম পাউচেগী অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তোদুনা শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী অমসুং ইংলিস ইদিসন অমসুং মণিপুর মেল য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

হান্নগী সি.এম. বিরেন অমসুং এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা দিল্লিদা চৎখিবগী পাউ অসি নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা অমিত সাহনা কৌরকপদগী হান্নগী সি.এম. বিরেন অমদি এম.পি. সনাজাউবা দিল্লিদা পাইশিনখ্রে হায়না ফোংলি।

পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল য়াওনা পাউচে অয়াম্বদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

এ.টিনা ব্রাশক লৌখ্রবা এম.এল.এশিংদগী করি আশা তৌনিঙাই

লৈরিবগে হায়না সাইকোট এ.সিগী বি.জে.পিগী এম.এল.এ- পাওলিনলাল হাওকিপনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

ইন্তরনেট থিংখিবনা তম্পাক্তা শেল থুমগী ফিভম য়াওনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে হায়বা পাউ অমসুং পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

হাইৱে ব্লোক তৌখিবদগী নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎ চৈগী মমল আতিয়া পকা ৱাংলে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী এনকর কলমদা ফোংলি।

বি.জে.পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ. সরদানা পার্তি অসিগী নেসনেল জেনেরেল সেক্রেটরি বি.এল. শন্তোসকা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবগী পাউ সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

অহানবা ওইনা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা মণিপুরগী কুকি-জোগী শু গ্রুপশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ অমসুং হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হান্নগী চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেন্না হিংশাগী থৌওংশিং চখদনবা আপীল তৌখ্রে হায়বা পাউ হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি গানফিউ মেলদা তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

বি.জে.পি-এন.দি.এনা সাসন তৌবা চহি ১১ শুরকপগী প্রোগ্রেস রিপোর্ট পীরদুনা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী চহি ১১ গী মনুং অসিদা ইন্দিয়ানা গোল্ডন পেরদ ওইরে হায়বদু তাক্লে হায়বা পাউ অমসু তমেংলোং টাইমসতা ফোংলি।

------